# নুপীগী ৱেথলিফটিংদা অনৌবা পুৱারী শেমখ্রবা মতুং মিরাবাইনা এসিয়ন গেমসতা মীৎয়েং থল্লক্লি



ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী):
৩২রকশুবা সম্মর ওলিম্পিক গেমস টোকিওদা পাঙথোকখিবা অদুদা ইন্দিয়াগী ৱেথলিফটিং পুৱারীদা সিলভর মেদল ফংদুনা রেকোর্দ থমখ্রবী সাইখোম মিরাবাই চনুনা মহাক্কী মায়কৈদগী কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমস অসিদা অকনবা মীৎয়েং থল্লি হায়খ্রে। মসিদসু নৎতনা চহী ৩ লৈরগা কুমজা ২০২৪দা ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৩শুবা সম্মর ওলিম্পিক গেমসতা মহাক্না টোকিও ওলিম্পিক্সতা ফংখিবা সিলভর অদু ওন্থোক্তুনা গোল্ড ফংননবা হোৎনগনি হায়খি।

মিরাবাইনা চহী ২০ হেল্লবা ওলিম্পিক্সতা ৱেথলিফটিংগী মেদল ফংদনা ইন্দিয়ানা লৈরকখিবা অদু নুপীগী কিলো ৪৯গী কেটেগোরিদা সিলভর ফংদুনা ঙাইরকখিবা অদু লোইশিনখি। ইন্দিয়াদা হল্লক্লবা মতুং মহাক্কী করিয়রদা ফংলকপা ইন্টরনেসনল মেদলশিংগী মনুংদা এসিয়ন গেমসকী মেদল অদুখক্তমক ৱাৎতুনা লৈরিবনি। মরম অদুনা কুমজা ২০২২দা চাইনাগী সিটি হাংজৌদা সেপ্টেম্বর ১০দগীনা ২৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমস অদুদা অকনবা মীৎয়েং থল্লি হায়না ফোঙদোরকখি।

মহাক্না ৱাফমশিং অসি এমৱে ন্যুট্রিলাইট কম্পেনিগী ব্রেন্দ এম্বেসেদর ওইনা খনখিবা অদুগী মতুং ভর্চ্যুএল ওইবা মওংদা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখিবনি। নীংশিংবা য়াই, সাইখোম মিরাবাই চনুনা কুমজা ২০১৪ কমনৱেল্থ গেমসতা সিলভর মেদল ফংখিবনি। মদুগী মতুং কুমজা ২০১৮ কমনৱেল্থ গেমসতা গোল্ড মেদল লৌখি। লোয়ননা কমনৱেল্থ গেমস অনী অদুগী মরক্তা পাঙথোকপা কুমজা ২০১৭কী ৱর্ল্ড ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড লৌবা ঙমখি। মহাক্না ২০২০ এসিয়ন ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপতসু গোল্ড মেদল ফংখিবনি। হৌজিক মহাক্না ফংদ্রিবা অসি এসিয়ন গেমসকী মেদল অদুনি।

মশাগী চহী ২৭ শুরবী ওলিম্পিক মেদলিষ্ট সাইখোম মিরাবাই চনু কুমজা ২০১৮ এসিয়ন গেমস পাঙথোকখিবা অদু য়াওখিদবগী মরমদি মহাক্কী খ্বাঙগী শরুক্তা অনাবা অমা লৈবা অদু মপূং ফানা ফগৎপা ঙমখিদবগীনি। লোয়ননা মখা তারকপা চহী অদুদা পাঙথোক্কদবা ৱর্ল্ড ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপ অদুদগীসু মহাক ৱিদ্রো তৌখি।

মিরাবাই চনুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা সিলভর মেদল ফংলকপগী লম্বৈল অদুদা মহাকপু চাওনা লমজিং-লমতাকখিবা কোচ বিজয় শর্ম্মবু মতম পুম্নমক্তা নীংশিংদুনা লৈগনি হায়খি। মহাক্কী অৱাবা অমদি শোক্তুনা লৈরিঙৈ মতমদা কোচ অসিনা পূক্নিং হন্থদনবা থৌনা পীদুনা লেপ্তুনা লাকখিবনি। করিগুম্বা কম্পিটিসনশিং শরুক য়ারকপদা মিরাবাইনা মায় পাকপা ঙমখিদ্রবসু কোচ অসিনা মতম চুপ্পদা মায় পাকপগী মহাউ অদু শুংশোয় শোয়দনা ফংলক্কনি হায়বগী থাজবা অদু থমদুনা হোৎনবা লেপখিদবনি হায়রি।

নহা ওইরিবা নুপী শান্নরোয়শিংদা মহাক্না শান্নবগী হীরমদা পূক্নিং চিংশিন্দুনা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনসু অচৌবা থৌদাং লৌবগী তঙাইফদবা অদু ফোঙদোকখি।

# অহোংবা পুরক্নবগীদমক শান্নরোয়শিংনা গুদৱিল এম্বেসেদর ওইবা য়াগনি হায়না মোদিনা ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা মেদল ফংলকখ্রবা এথলিটশিংগা উনদুনা ৱারী শাবদা খুন্নাই অসিদা অহোংবা পুরক্নবগীদমক শান্নরোয়শিংনা গুদৱিল এম্বেসেদর ওইবা য়াগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

চহী ৭৫রক শুবা নীং-খা তম্বগী থৌরম চহী অসিগী ওগষ্ট ১৫দগী হৌরগা চহী ১ চুপ্পা কুমজা ২০২২গী ওগষ্ট ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরি। মসিদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা স্পোর্টস অমসুং স্পোর্টিং এক্টিভিটিশিং অসি মিসন মোদতা চঙশিন্দুনা লৈবাক অসিগী নহাশিংবু শান্নবগী হীরম খূদিংমক্তা পূক্নিং চিংশিন্নবগী থবক অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা পায়খৎকদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱারোলশিং অদুগী মনুংদা এথলিটশিংনা কুমজা ২০২৩ ফাওবগী মনুংদা স্কুল ৭৫দা চৎতুনা ওলিম্পিক গেমসতা মায় পাকপা ঙল্লকপগী লম্বৈলশিংদা থেংনরকপা অনেম-অৱাংগী ওইবা থবক থৌরমশিং অদু অঙাংশিংদা তমদুনা মখোয়দা শান্নবগী অনৌবা ঈহুল অমা লৈহন্ননবা হোৎনসি হায়খি।

টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী এথলিটশিংনা পুৱারীদা গোল্ড মেদল অমা য়াওনা পূন্না মেদল ৭ লৌরকপা অসিনা খ্বাইদগী ফজবা ওইরিবনি। হন্দক্কী ওলিম্পিক গেমস অসিদা মেদল ফংবা ঙমহৌদ্রবা অদুগা থৱায় হকচাং য়াওনা শরুক য়াখিবশিংবুসু মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ঙরাং শান্নরোয়শিংগা উনখিবা অদুদা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, হকচাং অমসুং ৱাখলগী পাঙ্গল নহা ওইরিবশিংদা হেন্না মপাঙ্গল লৈহন্নবগীদমক অফবা চীঞ্জাক্কী মরুওইবশিং অদুসু ফংহন্নিংই হায়খি। লৈবাক অসিনা খ্বাইদগী চাওনা মায়োক্নগদৌরিবা অসি মচল শুদনা নহা ওইরিবশিংনা চারিবা অসিনি। মসি লৌথোক্লবতদা হকচাং ফবা লৈবাক অমা ওইগদৌরিবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ওলিম্পিয়নশিংগী মতেং নীরদুনা চীঞ্জাক মচল শুদনা চারিবা মীওইশিংদা মদুগী মাঙজবা অমদি তুংদা লাক্কদবা অৱাৎপশিং অদু মেনশিন্নবগী পাউজেল অদু পুনবা হায়খি।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা থা অসিগী ২৪দগী টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা পেরালিম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবা এথলিট পূম্নমক মায় পাক্লবা ঙাক্তনি। মখোয়না অতোপ্পা দিফরেন্টলি এৱর্ল্ড ওইরবা মীওইশিংগী থৌনা চাওনা পীগদৌরিবনি হায়খি। মহাক্না ভর্চ্যুএল ওইনা এথলিট ১০ উনখিবা অদুদা ২০১৬ রিও পেরালিম্পিক গেমসতা গোল্ড মেদল ফংখিবা দেবেন্দ্র ঝাঝারিয়া অমসুং মারিয়াপন্ট থেঙ্গভেলুসু য়াওখি। মখোয়না কম্পিটিসন শরুক য়াবা মতমদা ষ্ট্রেস লৈতনা প্রেসর য়াওদনা লম্বা তৌনগদবনি হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা, ওগষ্ট ২৪দগী সেপ্টেম্বর ৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা পেরালিম্পিক গেমস অসিদা য়াওরিবা এথলিটশিংগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিং লোয়ননা কোচশিংগসু ৱারী শানখি। অৱাবা কয়া থেংনরবসু হোৎনবা লেপ্তুবা অমদি ৱাখলগী পাঙ্গল মপূং ফানা য়োকখৎতুনা থম্বা অসিনা হৌজিক পেরা এথলিটশিং অসিনা পেরাওলিম্পিক শরুক য়াবা ঙমগদৌরিবনি। ইন্দিয়ানা পূন্না মেম্বর ৫৪গী কন্টিঞ্জেন্ট অমা টোকিও পেরালিম্পিক গেমস অসিদা য়াওগদৌরি।

# স্পোর্টস মিনিষ্টর অনুরাগ থাকুরনা ৱর্ল্ড য়ুঠ আর্চরিদা মায় পাক্লক্লবশিংগা উনখ্রে, থাগৎপসু ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী):
হন্দক্তগী পোলেন্দগী সিটি রোক্লোদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড য়ুঠ আর্চরি চেম্পিয়নশিপতা পূন্না মেদল ১৫ লৌরক্লবা ইন্দিয়াগী আর্চরশিং অদুগা উনদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস অনুরাগ থাকুরনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

গোল্ড মেদল ৮, সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ৫ ফংদুনা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা আর্চরশিং অদুনা পূন্না মেদল ১৫ ফংলকপা অসিদা থাকুরনা য়াম্না থাক ৱাংনা থাগৎপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী গ্রাসরুটকী লেভেলদা লৈরিবা টেলেন্টশিং অদু মশক খঙদোক্লে হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ভিজনগী মনুং চন্না লৈবাক শীনবা থুংনা খেলো ইন্দিয়া স্কিম শেমগৎতুনা চহী নৌরিবা শান্নরোয়শিংবু ঙন্না মখোয়দা লৈরিবা টেলেন্টশিং অদু মশক খঙদোক্তুনা অখন্নবা দিসিপ্লিনশিং অদুদা ঙল্লিঙৈদগী কোচিং পীদুনা লমজিংবীরবদি তুংদা ৱর্ল্ড প্লেয়র ওইরকপা য়াবগী খূদোংচাবা লৈরিবনি।

মহাক্না নহা ওইরিবা আর্চরশিং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা তুংদা শরুক য়াগদৌরিবা কম্পিটিসনশিংদসু অহেনবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙম্বা ওইরসনু হায়না য়াইফ থৌনী পীখি। গোল্ড মেদল ফংখিবশিংগী মনুংদা কেদেট কম্পাউন্দ ৱিমেন্স টিম, কেদেট কম্পাউন্দ মেন্স টিম, জুনিয়র রিকর্ব মেন্স টিম, কেদেট রিকর্ব মেন্স টিম, কেদেট রিকর্ব মিক্স টিম, জুনিয়র রিকর্ব মিক্স টিম অদুগা জুনিয়র রিকর্ব ইন্দিভিজ্যুএলদা গোল্ড ফংখিবী কোমোলিকা বারি য়াওখি।

# ইন্দিয়াগী নুপাগী বাস্কেটবোল টিম এসিয়া কপ ক্বালিফায়র য়াওগদৌরি

মুম্বাই, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী):
মথং চহীদা ইন্দোনেসিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিবা এসিয়া কপ বাস্কেটবোল টুর্নামেন্টকী মাংওইননা ক্বালিফায়র পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা ইন্দিয়াগী নুপাগী বাস্কেটবোল টিমনা মায় পাকপা য়াবগী অচৌবা লম্বৈল অমা লৈরি।

লাক্কদৌরিবা ইরাই অমসুং থাংজ নুমীৎতা সাউদি অরাবিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি জেদাদা পেলেষ্টিন য়াওনা ক্বালিফায়িং মেটচ শান্নগদৌরিবনি। ইন্দিয়াগী টিম অসি গ্রুপ ঐচতা সাউদি অরাবিয়া অমসুং পেলেষ্টিনগা লম্বা তৌনগনি। টিম অদুদগী মকোক থোংবা লৈবাক অনী এসিয়া কপকীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি।

সাউদি অরাবিয়া অমসুং গ্বামনা লৈবাক মঙাগী ওইবা ক্বালিফায়িং রাউন্দ অসিদা শান্নগদৌরিবা মেটচ অদুগী য়ূম্বু ওইরি। অনীশুবা ক্বালিফায়িং রাউন্দ অসি অহানবা ক্বালিফায়িং রাউন্দদা মখোয়-মখোয়গী গ্রুপতা ৩শুবা পোজিসন তাখিবা টিম মঙা খনগৎলকপনি। সাউদি অরাবিয়া, ইন্দিয়া অমসুং পেলেষ্টিননা গ্রুপ অমা শারগা, গ্বাম অমদি চাইনিজ টাইপৈনা গ্রুপ অমা শারগা মখোয় অনীগী মনুংদা অমা ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি।

জেদাগী কিং অব্দুলা সিটি হোলদা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু সাউদি অরাবিয়াগা ওগষ্ট ২০ (ইরাই) নুমীৎতা শান্নগনি। থংনবা নুমীৎতনা পেলেষ্টিনগা শান্নগদৌরিবনি। মাংজৌননা টিম ১৩ ক্বালিফাই ওইখ্রবনি। অদুগা হন্দক্কী টিম ৫দগী ২শুবা ক্বালিফায়িং রাউন্দদা টিম ৩ খল্লগা ইন্দোনেসিয়ানা য়ূম্বু ওইগদৌরিবা এসিয়া কপ বাস্কেটবোল টুর্নামেন্ট অদুদা পূন্না টিম ১৬না লম্বা তৌনগদৌরি। ইন্দিয়াগী টিমদা এন বি এ জি লীগতা শান্নরুবা অমজিওট অমসুং অমৃত পালগুম্বা অফবা শান্নরোয় য়াওরি।

# এ টি কে মোহন বগান অমসুং বেঙ্গলুরু এফ সীনা এ এফ সী কপকী গ্রুপ দিদা ঙসি শান্নরগনি

মালে, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী):
এসিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা এ এফ সী কপকী গ্রুপ দিগী ওইনা হয়েং মালদিভসকী কোনুং মালেদা ইন্দিয়াগী ক্লব অনী এ টি কে মোহন বগান অমসুং বেঙ্গলুরু এফ সী লম্বা তৌনরগনি।

এ টি কে মোহন বগানদি ইন্দিয়ন সুপর লীগকী চেম্পিয়ন ওইবা মরম্না দাইরেক্ট এন্ট্রি ফংখিবনি। অদুগা বেঙ্গলুরু এফ সীদি হৌখিবা নোংমাইজিং নুমীৎতা মালদিভসকী ক্লব ইগলসকা প্লে ওফ শান্নবদা ১-০দা থোইদুনা গ্রুপ দিগীদমক ক্বালিফাই ওইরকখি। গ্রুপ দিদা লৈরিবা অতোপ্পা টিমশিং অদুদি বাংলাদেশকী বাসুনধারা কিংস অমসুং গ্রুপ মেটচশিং অসিগী য়ূম্বু লৈবাক ওইরিবা মালদিভসকী ক্লব মাজিয়া স্পোর্টস এন্দ রিক্রিএসন সেন্টরনি। গ্রুপ অসিদা লৈরিবা টিম মরিগী মনুংদা খ্বাইদগী মকোক ওইগদৌরিবা টিম অদুনা ইন্টরজোনেল প্লে ওফগী সেমীফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি।

বেঙ্গলুরু এফ সীগী কোচ মার্কো পেজাওলিনা ফোঙদোকখিবদা, হয়েং এ টি কে মোহন বগানগা শান্নগদৌরিবা অসিদা মহাক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না মীৎকুপ নাহুম শিংবা মথৌ তাই। নোংমাইজিং নুমীৎতা মেটচ অমা শান্নবদা মায় পাক্লকপা অদুদগী শান্নরোয়শিং অদুগী মোরেল ৱাংনা লৈরিবনি।

এ টি কে মোহন বগাননা মুম্বাই সিটি এফ সীবু ২০২০-২১ সিজনগী ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইরবা মতুং কোলকাটাদা বেজ তৌবা ক্লব অনীগী অপূনবা মায়কৈ অসিদা অনৌবা শান্নরোয় কয়া অমা য়াওশিল্লি। মসিদা ফ্রেঞ্চ মচা হুগো বোমোস য়াওরি।

টিম অসিগী মায়কৈদগী হেদ কোচ এন্টোনিও হাবাজনা ফোঙদোকখিবদা, বেঙ্গলুরু এফ সীগা লম্বা তৌনবদা মহাক্কী শান্নরোয়শিং অদুনা মায় পাকপা ঙমগনি হায়খি।

# ৱর্ল্ড জুনিয়র রেষ্টলিংদা ইন্দিয়াগী গৌরভ অমসুং দিপক ব্রোঞ্জকীদমক লম্বা তৌরগনি

উফা, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী):
রসিয়াগী সিটি উফাদা পাঙথোল্লিবা জুনিয়র ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর গৌরভ বলিয়ান অমসুং দিপক মখোয়-মখোয়গী ৱেথ কেটগোরিশিংদা সেমীফাইনেল মায়থীহৌবদগী ব্রোঞ্জকীদমক লম্বা তৌরগনি।

গৌরভ বলিয়ান কিলোগ্রাম ৭৯গী কেটগোরিদা ইরানগী মহমদ অজঘরগী মখূৎতা সেমীফাইনেলদা মায়থীহৌবনি। গৌরভনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা টাজিকিস্তানগী অবু বাকর স্কুরোভপু টেক্নিকেল সুপরিওরিটিদা মায় পাক্লকখি। লোয়ননা অনীশুবা রাউন্দদা রসিয়াগী অলিক বাটিয়েপপু ৫-২দা থোইরগা সেমীফাইনেল য়ৌরকখিবনি। দিপকনা কিলোগ্রাম ৯৭কী কাঙলূপ্তা হৌরকপদা য়াম্না ফজরম্বদগী সেমীফাইনেলদা য়ু এস এগী রেষ্টলর ব্রেকষ্টোন জেমসকী মখূৎতা ১-৯দা মায়থীহৌখি। দিপকনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা বেলারুসকী পার্খোমেনকাবু পোইন্ট ৫-১দা থোইখি। অদুগা অনীশুবা রাউন্দদা জিওর্জিয়াগী লুকা খুচুৱাবু ৯-৪দা থোইরগা সেমীফাইনেলদা লৈহৌবনি।

কিলোগ্রাম ৫৭কী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা রেষ্টলর সুভমনা ক্বার্টর ফাইনেলদা রসিয়াগী রামাজান বগাবুদিনোভকী মখূৎতা মায়থীহৌরবসু রামাজাননা ফাইনেল য়ৌখিবদগী সুভমনা রেপিচেস রাউন্দ খূদোংচাবা অমা লৈরি। কিলোগ্রাম ৬৫গীদা রোহিট রসিয়াগী মামেদোবকী মখূৎতা ক্বার্টর ফাইনেল মায়থীহৌরবসু মামেদোব ফাইনেল য়ৌখিবদগী রোহিটসু রেপিচেস রাউন্দ শান্নগদৌরি।

# লোর্দস ক্রিকেট টেষ্টতা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ইংলেন্দবু রন ১৫১দা মায়থীবা পীদুনা মেটচ ৫গী সেরিজ মাঙজিল থাবা ঙমখ্রে



লন্দন, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী নুপাগী ক্রিকেট টিমনা ইংলেন্দগা টেষ্ট মেটচ ৫গী সেরিজ মনুং চন্না ঙরাং শান্নখিবা অনীশুবা টেষ্ট মেটচ অদু অথেংবদা ইন্দিয়ানা রন ১৫১দা থোইদুনা সেরিজ অদু ১-০দা মাঙজিল থাখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস ইংলেন্দনা ঙমদুনা ইন্দিয়াবু বেটিং হান্না তৌহনখি। মদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অহানবা ইন্নিংসতা ৱিকেট ১০ তুরগা রন ৩৬৪ লৌখি। ইন্নিংস অদুগী মরুওইবা পর্ফোর্মেন্সশিংগী মনুংদা ওপনর কে এল রাহুলনা রন ১২৯ লৌখিবা অদুনি। অতোপ্পা ওপনর রোহিট শর্ম্মা রন ৮৩ লৌরমখি। কেপ্টেন ভিরাট কোহলি রন ৪২, ৱিকেট কিপর রিশব পন্ট রন ৩৭ অমসুং ওল রাউন্দর রবিন্দ্র জাদেজাগী রন ৪০ পনবা য়াই।

ইংলেন্দনা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা কেপ্টেন জো রুটনা আউট ওইদনা রন ১৮০ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজখি। ওপনর রোরি বর্নস রন ৪৯, জোনি বার্ষ্টোগী রন ৫৭ পনবা য়াই। ইন্দিয়াগী বোলরশিংগী মনুংদা মহমদ সিরাজনা বেটসমেন ৪ আউট তাহনবা অদুনা খ্বাইদগী ফজখি। ইশান শর্ম্মানা ৩, অদুগা মহমদ সামিনা ২ আউট তাহনখি। ইংলেন্দনা রন ৩৯১ লৌদুনা ইন্দিয়াদগী রন ২৭ হেল্লগা লৈখি।

ইন্দিয়ানা মখা তানা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস অদু শান্নরকপদা ওপনর অনী স্কোর য়াম্না তৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। রাহুল রন ৫ অমসুং রোহিট রন ২১ লৌখি। ৫শুবা বেটসমেন অজিনক্যা রাহনেনা রন ৬১ লৌখিবা অমসুং চিটেশ্বর পুজারানা রন ৪৫ লৌখিবা পনবা য়াই।

ইন্দিয়াগী অনীশুবা ইন্নিংস অদুগী অপূনবা স্কোর বেটসমেন ৬ আউট ওইরগা রন ১৮১ লৈখি। অদুবু ৯শুবা বেটসমেন মহমদ সামি অমদি জস্প্রিট বুমরানা আউট ওইদনা মথংশিংনা রন ৫৬ অমসুং ৩৪ লৌরগা ৱিকেট ৮দা রন ২৯৮ শুরকপদা কেপ্টেন কোহলিনা ইন্নিংস অদু দিক্লেয়র তৌখি।

ইংলেন্দনা টেষ্ট মেটচ অদু মায় পাক্লনবা রন ২৭৬ লৌবগী টার্গেট লৈখি। অদুবু মখোয়গী ওপনর অনী বুমরা অমদি সামিনা রন অমত্তা লৌহন্দনা আউট তাহনখি। কেপ্টেন জো রুটনা রন ৩৩ লৌরম্বা লোয়ননা ৱিকেট কিপর জোস বট্লরনা রন ২৫ লৌরম্বা অমসুং মোইন অলিনা রন ১৩ লৌরম্বা অদু নৎতনা অতোপ্পা বেটসমেনশিংদি রন ১০ য়ৌবা ঙমদনা আউট ওইখিবদগী মখোয়গী ইন্নিংস অদু রন ১২০দা লোইশিনখি। রন ১৫১দা মখোয় মায়থীখি। ৩শুবা টেষ্ট মেটচ থা অসিগী ২৫দা শান্নগনি।

# ওরিষ্যগী সী এম নবিন পটনাইকনা হোক্কী শান্নরোয়শিংবু ওকখ্রে

ভুবনেশ্বর, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী):
চহী ৪১গী মতুংদা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমনা ওলিম্পিক মেদল ফংবা ঙল্লকখিবা অমদি নুপীগী টিমনা মরিশুবা পোজিসন তাখিবদগী ইন্দিয়াগী হোক্কী পুৱারী অসি অনৌবা লামায় অমা হাংদোকহনখিবদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয় পূম্নমক অদুবু ওরিষ্যগী চীফ মিনিষ্টর নবিন পটনাইকনা ঙসি ভুবনেশ্বরদা তরাম্না ওকখ্রে।

পনবা য়াই, ওরিষ্য লৈঙাক্না ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী হোক্কী টিম অনীমক স্পোন্সর তৌরিবনি। ঙসি অয়ুক অঙনবদা ভুবনেশ্বর এয়রপোর্টতা থুংলবা মতুং শান্নরোয়শিংবু ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা হোক্কী ষ্টেদিয়ম ওইরিবা কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা অচৌবা থৌরম অমগা লোয়ননা ওকখি। শান্নরোয়শিং অদুনা লাকপগী লম্বৈলদা অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি হায়না ভুবনেশ্বর-কটককী পুলিস কম্মিস্নর সোমেন্দ্র প্রিয়াদর্শিনা ফোঙদোকখি।

শান্নরোয়শিং অদুনা লৈগদৌরিবা হোটেল অদুগী মায়কৈদগী শান্নরোয়শিং অদুনা চানিংবা মখলগী এঞ্জাংশিং অদু নীংথিনা শেম শাদুনা থমখি হায়রি। নন-ভেজ অমসুং ভেজকী ওইবা তোঙান-তোঙানবা এঞ্জাংশিং শেমখি। অদুগা করিগুম্বা শান্নরোয়শিং অদুনা ওরিয়া এঞ্জাংশিং পাম্লবসু মপূং ফানা ফংহনগনি হায়না হোটেল সেন্দিগী দিরেক্টর অর্চনা পত্রনা ফোঙদোরক্লি। নুমিদাংৱাইরম পুং ৬তা চীফ মিনিষ্টর নবিন পটনাইকনা কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা ওকপগী থৌরম অদু লোইরবা মতুং শান্নরোয়শিং অদু ভুবনেশ্বর থাদোকখিগদবনি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়ানা ব্রোঞ্জ মেদলগী মেটচতা জর্মনিবু মায়থীবা পীরগা ১৯৮০ মোস্কো ওলিম্পিককী মতুংদা মেদল ফংলকপনি। অদুগা নুপীগী টিম ইংলেন্দগী মখূৎতা মায়থীহৌখি।


ꯑꯦꯟ.ꯇꯤ. ꯃꯤꯇꯩꯃꯌꯦꯛ

# EMPLOYMENT NEWS


- IMPHAL BRANCH :- Security/Gunman-2, Office Asst.-2, Car Driver-2, Grade IV-2
- SAMUROU BRANCH :- Office Asst.-2, 2 Wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2, Tyre Fitting Helper-2, Car Driver-2, Grade IV-2, Brick Mistry-3 & Jugali-5 (Rs.15,000 to Rs. 25,000)
- MOIRANG BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
- THOUBAL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
- NAMBOL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2

OFFICE HOUR :
10.00 AM TO 4.00 PM

Pl. Contact : L.G. MOTORS
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,
IMPHAL-WEST MANIPUR
CONTACT No. :- 9774495994 / 8731978490

HL-B/7056/6,8,10


# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 203

GM Salem, A.R. Saleh (2682) - GM Indjic, Aleksandar (2607)
FIDE World Cup 2021 Krasnaya Polyana RUS, 2021.07.17

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 e6 | 3.Nf3 d5 | 4.Nc3 Nbd7 |
| 5.Bg5 h6 | 6.Bh4 Be7 | 7.e3 O-O | 8.Bd3 c5 |
| 9.O-O dxc4 | 10.Bxc4 a6 | 11.a4 b6 | 12.Qe2 Bb7 |
| 13.Rfd1 Nd5 | 14.Bxd5 Bxd5 | 15.Bxe7 Bxf3 | 16.Qxf3 Qxe7 |
| 17.d5 Nf6 | 18.d6 Qd7 | 19.e4 e5 | 20.Rd2 Rfd8 |
| 21.Rad1 c4 | 22.h3 Rac8 | 23.Qe3 Rc6 | 24.Nd5 Nxd5 |
| 25.Rxd5 Re8 | 26.f4 exf4 | 27.Qxf4 c3 | 28.bxc3 Rxc3 |
| 29.e5 Rc2 | 30.R1d3 b5 | 31.axb5 axb5 | 32.Rg3 Kh8 |
| 33.Kh2 Rc4 | 34.Qd2 Re4 | 35.Qc3 b4 | 36.Qc7 Rd8 |
| 37.Rc5 Kh7 | 38.Qb6 Re8 | 39.Rc7 Qe6 | 40.Qb7... |

**QUESTION :**
White to Win

**Puzzle 202 Ans. :**
36. ...Nd5 37.Qe6+ Kh8 38.Ne8
38. Qh6+ Kg8 38. ...Qd8 39.Qh6+ Kg8 40.Rg4+
40. e6 Rxe8 41.Rg4+ Qg5 42.Rxg5+
42. Qxg5+ 40. Qg6+ Kh8 41.Qh6+ Kg8
40. ...Kf7 41.Nd6+ Ke7 42.Rg7+ Rf7 43.Rxf7# Arabian mate
43. Nxf7
37. Qe6+ Kh8 38.Ne8 Qd8 39.Qh6+ Kg8 40.Rg4+ Kf7 41.Nd6+

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com